ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ০৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২১৫শুবা মশীং

# ফত্তবা থৌদোকশিং থোরকপা

## খুন্নাইসিসু লৈদুনা চেনখিবা য়ারোই

ওক্টোবর ২৬, ২০২২গী নুমিদাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বেঙ্গুনগী মফম অমদা য়াম্না শাথীবা ক্রাইম অমা থোকখ্রে। থৌদোক্তু দিমাপুরদগী লৈঙোই চিংলকপা ত্রক দ্রাইভর অমদা মহাক্না চিংলক্লিবা লৈঙোইদু লৈরগে/লৌরগে হায়দুনা থৌদোক থোকখ্রিবা মফমদু তান্না থৌওইনা পুরকখিবনি। অদুগা মফমদু য়ৌরবা মতুংদা ত্রকতগী লৈঙোইদু থাদদ্রিঙৈদা চাক হান্না চাথোকখিসি হায়দুনা দ্রাইভরদু পুথোকখ্রগা হাৎননবগীদমক মখৌরিদা থাঙনা লেল্লম্বনি। থৌদোকসিগী 'মোদুস ওপরান্দি' দি লমহেন-তুহেনবশিংদুনা মমল তাঙবা দিমাপুরগী লৈঙোইদুসু মুনবা, মসিবু হাপ্তুনা পুরক্লিবা ত্রকতুসু লৌবা অদুগা থবক অনীসিগী লংলা-লংজিল (ক্লু) ফংদনবা দ্রাইভরদুসু হাত্তোকপনি। থৌদোকসি তয়াং-তয়াংনা লৌবা চুল্লোই, য়াম্না হকচিন্না সিরিয়স ওইনা লৌগদবনি। মরমদি থৌদোক্তু মী-পোং তাদবা চীংলক-মাল্লক অমসুং অশোংবা নারক-মোংশোং নৎত্রগা অথাপ্পা লমহাং-তুমহাংদা থোকখিবা নত্তে। ইম্ফাল ময়োলদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ২২ খক্তমক লাপ্না লৈরিবা ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর ২/৩ রোমদমক চৎলগা লৈবা মফমদা থোকখিবনি। মীচিক-মীরাওখোল তাদ্রবা অহিং নোংয়াই চবুক্কী মতমসু নত্তে। নুমিদাংগী পুং ৯ খরা হেল্লকপদা থোকখিবা তমথীরবা ক্রাইম অমসুং ওফেন্সনি। হোয়, হৌজিকপুদি থৌদোক্তু থোকহল্লম্বদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিংগী মনুংদগী অমা থৌদোকসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎপা ঙমখ্রে। নবেম্বর ১, ২০২২দা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে। মরাল লৈরবা মীওইশিংদুনা শীজিন্নরম্বা গাড়ী মচা অমা ফাগৎখ্রে। থৌদোক্তুগী থাঙ শিজ তৌনবা খোঙ্গুল লীখ্রে। চেন্নবশিংগী মরক্তগী অমা ফাগৎলবনিনা ৱাৎহৌরিবা অতোপ্পা কো-এক্ক্যুজশিংসু শোয়দনা ফাগৎলক্লগনি। পুলিসকী মায়কৈদগী চেন্নবা পূম্নমক ফাগৎতুনা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চংখরবা মতুংদা ৱায়েল চংখনবগীদমক ক্রিমিনেল ত্রাইএল কোর্টতা চাজ শীট থাগৎলক্কনি। অথুবা মতমদা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা পুলিস অমসুং প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী মথৌ তাবা থবক-থৌরম পূম্নমক পন্থদনা পায়খৎলকপসু ওইরসনু।

অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসি য়াওনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা থৌদোকসি থোকখ্রবা মতুংগী থবকশিংসিদি লোগা মরী লৈনবা লিগেল প্রোসিজরশিং ঙাক্তনি। অদুবু মতাংসিদা থৌদোকসিগা মরী লৈননা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি মখোয় ৫/৬না করিগীদমক লমহেন তুহেনবা ওইরক্তুনা খ্বাইদগী তমথীরবা ক্রাইম অসি চংখবা/পাঙথোকপা হৌরম্লিবনো হায়বসিনি। মতাং শ্বাইদদি মীয়ামগী লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী খুন্নাই মমায় লৈদুনা চেনখিবা য়ারোই। মরমদি লৈবাক মীয়াম্বু হীরম খুদিংমক্তা অফবা থাক্তা থমগদবা লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়াম্বু ফীভমসিদা থম্বা ঙমদ্রে। মণিপুরগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফৎত্রে, থাক নেল্লে। হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফংনবগীদমক মথৌ তাবা শেল খূৎতা পায়নবগীদমক মী হাৎপা ফাওবগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপা অমসুং থোকহন্নবা হোৎনবদা নাচুংনদ্রে হায়বনি। পুলিস ষ্টেসনগা কিলোমিটর ২/৩ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা মফমদা ফাওবা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং থোকহনবা ঙম্নরক্লে। মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী থাক খম থেংনা নেল্লে হায়বনি। থায়নগী অহল-লমনশিংনা 'চানবা লৈতে তখেন্থাং' হায়বদুদি ময়ূম পুনবগীদমক গাড়ী থৌজবা দ্রাইভরশিং হিংথৎ থৎনবা মখৌরিদা থাঙনা লেল্লু হায়বা নত্তে। চাকখুম মৈ মুৎতনবা নশা চাবা খূৎলায় পায়দুনা শু-নোম্মু হায়বনি। অদুগা হিংনবগী লানফমনি হায়দুনা মী হাৎননবা হোৎনরকপসিদি অচুম্বা, তৌফম থোকপা থবকনি হায়দুনা লৌবা য়ারোই। নীংতম্বা চহী ৭৫ শুরক্লবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোননা ঙসি ওইহল্লিবা মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং খুন্নাইসিগী ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা মখে মসিদগী হেন্না শাথীবা থৌদোকশিং থোরকখিনি হায়বসি কাউথোক্তনা কৈদৌসিগে হায়বসি লৈঙাকপশিংনা খল্লু।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩**

১) **"ৱাখলগী লৈকোল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **"থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **"ৱাকৎ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **"জনান্তিক"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?
৫) **"অওনবা সমাজ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ত্রাফিক পোইন্টশিংদা গাড়ীশিং খোঙলৌদনবা হোৎনসি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হায়গদ্রা নৎত্রগা মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না ওল্লকপা হায়গদ্রা, মতম অমদা অসুক্কী মতিক কোম্না চৎনরম্বা মণিপুরগী ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিং ঙসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা চিনখ্রে। চিনবসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংদা ত্রাফিক পোইন্ট শেমগৎলকপগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। মরু ওইনা মণিপুরদা থৌনরিবা, তোংনরিবা গাড়ী কারশিংসি ষ্টেটসিগী মীশিংসিগা য়েংনবদা তশেংনা হেনমল্লবা অমনি। থোইনা মথৌ তাদ্রবসু ইরমদম মণিপুরসিদদি সেকেন্দ হেন্দ খণ্ডদে, ব্রান্দ ন্যু খণ্ডদে, খূত্তা কার লৈবা কোন্ননবা শেনফমবু লৈরবদি গাড়ী কার অমা হেক্তা লৈবগী চৎনবীসি লৈ। খণ্ডদে, মণিপুরগী মীয়াম্না গাড়ী কার অমদি তোংদবা শুংয়া য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনসি অকনবা মওংদা ফাওনবগুম তৌই। থৌদৌসি চৎনবী অমা ওইখ্রে। মণিপুরদা তোংনরিবা কার ময়ামসি ইম্ফাল সিটিগী লম্বী মতাসিগা হায়রবদি অসুক্কী মতিক চান্নদ্রবনি। মণিপুরগী লম্বীদি পাকথোক্লীংবা মফমদা পাকথোকই, খুজিন্নীংবা মফমদসু খুজিল্লি। খুদম ওইনা, কৈশাম্পাৎ টর্নিংদগী লাকপা গভর্ণরগী গেট ময়া য়ৌশিল্লকপদা চিল্লিবা খুৎচিনসি মীয়াম্না উনরিবনি। লৈকায়-লৈকায়দসুনি পাকথোকপা য়াবা মপাশিংদা পাকথোক্লবসু, পাকথোকপা য়াদবা মপাশিংদদি অদুম্মক পাকথোক্তে। থৌদৌসি মণিপুরদা অদুম চৎনৈ। মণিপুরদা খাস লেন্দগী ৱাফম লৈতে, পায়বু পায়শিনখ্রবদি পাক হন্দোক্তনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। থায়নগী অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্বা, "ইচাশা-ইশুশা! হুরান্দুনা লম খোপচিনগে খক খনগনু, লম খোপচিনবা হায়বসি অফবা থৌদৌ নত্তে, মশানা হীপ্পা চন্নবা লম হেক খোপচিনবদা মশাদু শি হায়নরিবনি" পাউরৌসি হৌজিক্তদি কাউনখ্রে। ফীভমসিননি, হৌজিক্তা থায়নদগী হৌনা চাউনা লৈরল্লবা লমলেমশিং মতমগী মতুংইন্না মথন্তা লোইনা তুমখ্রিবসি, অদুগা মী চিনবগী চাংনা ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী লম্বীশিংসিদা নোংম-নোংমগী ত্রাফিক পোইন্টগী মশীং হেঙ্গৎলক্লিবসি।

ত্রাফিক পোইন্ট হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবনি। লম্বী চৎপা খুদিংমক্না লম্বীগী ক্রোসীং য়ৌবদা মতম অমত্তদা পূন্না চৎমিন্নবা য়াদবনা, মায়কৈ-মায়কৈ খায়দোক্লগা অকক্লবা মতম পীদুনা অমুক-অমুক লানহনবনি। অদু ওইরবদি, ত্রাফিক্কী কাঙবুশিংনা পীরিবা মতমদুগী মনুংদা লম্বী লান্থোকহৌগদবা কাঙবুশিংনা য়ারিবমখৈ মশীং য়াম্না লান্থোকহৌনবা হোৎনগদবনি। মসিৱাইসিদনি ঐখোয়গী মণিপুরগী মীয়ামগা মীরমদমগী মীয়ামগা য়েংবদা য়াম্না শাথীনা খেন্নে হায়রিবসি। ঐখোয়গী লমদমসিগী ওইনদি লমদমসিগী মীয়ামসিনা ত্রাফিক্কী ৱাফম হায়বসি ইথৌ-থৌশানদবগুম তৌনৈ। অদুগা মরু ওইনা ত্রাফিক পোইন্টদা মমাঙ থংবা কাঙবুশিংনা তুংদা ক্যুদা লৈহৌরিবা মীয়ামদুগী ৱাখল ইখন-খন্নদবগুমসু তৌনৈ। তুংদা ক্যুদা লৈহৌরিবদু য়ামখ্রবা মীয়াম অমনি হায়বসি মমাঙ থংলিবা কাঙবুশিংনা কৈদৌঙৈদা খক খন্নদে। মমাঙ থংবশিংদুনা মখোয়দি শোয়দনা লাল্লদৌবনি হায়বগী ৱাখলদা ত্রাফিক্লা থারবসু আলে-জালে তৌদুনা লৈথোকই। থৌদৌসিনা মরম ওইরগা ক্যুদা লেংদুনা লৈরম্বা মতুং থংবা মীয়ামদুদি কৈদৌঙৈদা খক মীশিং য়াম্না লান্থোকহৌবা নংহৌদে। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরদা মথৌ তাবগী নত্তবদা কার তোংনীংই হায়বগীদমক কার লৈরগা থৌবগী লেম্নবী অমা চৎনবী ওইনা কন্না লৈ। লমদমসিদা মথৌ তাদনা অরেম্বদা গাড়ী কার লৈশিল্লুরগা থৌনবগী মরম লৈতদুনা চুম্না মীয়াম য়েংবা ওইনা থৌদোক্লকপা কাঙবু কয়া অমসু লম্বী চিনবসিদা য়াওরিবনি। মখোয়শিংদু ত্রাফিক্কী রুলসু কয়া মুন্না খঙদবা অদুগা মশা মশামকসু গাড়ী থৌবদা থোইদোক্লা এক্সপর্ট ওইদ্রিবা কাঙবুশিংনা অয়াম্বনি। মখোয়দা অকক্লবা মতমগী মনুংদা মফম অমদগী অমদা থুংউদবা য়াদে হায়বগী ৱাফম লৈতে। মখোয়না কৈদৌঙৈদা খক মতম মাঙহন্দনা অমসুং অমগা অমগা গেপ লৈহন্দনা গাড়ী থৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোনসু লৈতে। মখোয়গুম্বা কয়া'মনা ত্রাফিক পোইন্ট মপাদা মমাঙ থংদুনা লৈখিবদনি তুংদা ওফিস থেংখ্রে হায়দুনা হোবে-হোবে গাড়ী থৌরকপা মীওইশিংনা তক্সি শোন্দুনা খাঙনরিবসি। মখোয়গী কার খূৎথৌসিদনি ত্রাফিক পোইন্টদা খোঙলৌবা থোক্লিবসি। থৌদৌসি ইরমদমসিগী ওইনদি মতম শাংনা থোকখিনি। মমৈথংদদি ঐখোয়গী ইম্ফাল সহরসি বেঙ্গলগী নবদ্বিপকুম্না কাঞ্জোং অহুম পানবা, মরি পানবা গাড়ীশিং অমত্তা চঙহল্লক্তত্রা খণ্ডদে। চৎকদবা লম্বীশিংদুনা পীকমল্লবদা করম্না গাড়ী থৌগনি? মমাঙঙৈ হায়বা তাই, ইংলিসনা ইন্দিয়াদা পাল্লিঙৈদা চাওখৎপা, খোঙ্গুন তাবা কাঙবুশিং ওইবনিনা মখোয়না শারম্বা বিল্ডিংশিং ঙসিসু লম্বীদগী মতিক চানা চঙশিল্লগা লৈরি। মসি মতম অমদা হয়েংৱাই মী চিল্লকপগী মতুংইন্না লম্বী চাওথোক্লকপদা শোক্তনবনি হায়দুনা মাঙজৌননা খলহৌই হায়বগী খুদমনি। ৱাখল লৈবসি মালেমগী ওইনা চাওখৎপা হানখিবা কাঙলূপশিংসিনা খরা খিৎতি মহেনবা জাৎনি। মণিপুরদা ইংলিসশিংনা শাবীরম্বা শঙলেন খুদিংমকসি ঙসি ফাওবদা লম্বী পাকথোকপদা থুগায়দবা য়াদবদগী থুগায়খ্রে হায়বগী পাউ অমা ফাওবা তাদ্রি। লম্বী পাকথোকফম লৈতবগী থবকসিনা মণিপুরগী লম্বীশিং পাকথোকপদা অপনবা ওইহল্লিবনি। লম্বী পীকপগী মথক্তা অমুক্কসু মতমসিদা লম্বী চৎপগী কাঙলোন মুন্না খঙনদবসিনা চুম্না লম্বী চিনবদা নত্তনা খোঙলৌবা হায়বা থৌদৌসিমসু থোকহল্লিবনি।

লৈকায় মরুপ অমা ফাওরকপদা হেক্তা সেকেন্দ হেন্দ কার অমা লৈদুনা তোংনীংবগী ৱাখল্লোন স্কুল, কোলেজ অমদি কোচিং সেন্টরশিংদা মহৈ তম্লিবা ইচা-ইশুশিং থিনবা অমসুং লৌবা চৎপদা কারদা নৎত্রবদি চৎপা য়াদবদৌনা তৌরকপগী চৎনবী, পীক্কেরা-চাউগেরা ওফিস অমদবু থবক কারবদি কার তোংদুনা কাদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল পূম্নমকসিনা ঙসি ঐখোয়গী ইরমদমসিগী লম্বী খুদিংমকসি অঙকপা ফংনা ত্রাফিক জাম থোকহল্লিবনি। অদুগা অমরোমদনা, অসুম্না ইরমদমসিগী লম্বীশিংদা হাইগৎতুনা ত্রাফিক জাম থোক্লক্লিবসিগী মরম লমদমসিগী লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট পোলিসিননি। খুদম ওইনা, লৈঙাক্কী থৌমী অমমম্না মশা-মশানা কার অমমম থৌজরগা ইম্ফাল সিটিগী মনুংদা ওফিস কাবদা মী নিফুনা ওফিস কাবদা কার নিফুনি ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংদা থৌরমগদৌরিবসি। তৌইগুম্বসুং মী নিফুদুনা করিগুম্বদা ইরমদমসিদা বসতা তোংদুনা ওফিস কাবগী খুদোংচাবা লৈরম্লবদি মখোয় নিফুমক্লা তোংবদা চঙগদৌরিবসি শুপ্নগী বস অমা খক্তনি। শুপ্নগী বস অমখক্তং থৌবগা, কার নিফু থৌবগদি ত্রাফিক ভোল্যুম কনবা, কার নিফু থৌবদুনা মতম পূম্নমক্তা হেল্লমগনি। অদুগা, থাওগী ইকোনোমিদসু কার নিফুনা চাগদবা থাওজাগা শুপ্নগী বস অমা খক্তংনা চাগদবদা থাওজাদুগা খক মান্নবা হৌনদে হায়বসিসু ঐখোয় পূম্নমক্না খঙনরবনি। লাইবক থীরিবদি, ইম্ফাল মনুংদা অসুম্না বস অমা তোংলগা ওফিস কাবা য়াবগী খুদোংচাবসি মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টগী ওইবা লৈতবসিনি। থৌদৌসি চহী চূপ্পা অমা, চহী মশীং খঙদনা লৈরকত্রবনি। থৌদৌসিনা মণিপুরদা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মণিপুর লৈঙাক্তা কাহল্লম্বা য়াবা বস ফ্যারগী য়াল্লবা শেনফম অমসু চহী চূপ্পগী ওইনা চহী মশীং খঙদনা ফংহল্লকত্রবনি। মণিপুরগী ওইনা থাও শীজিন্নবগী চাংদসু হন্থহৌবা, বস ফ্যারগী শেনফমসু মণিপুর লৈঙাক্তা ইনকম ওইনা কারকপা অমসুং মায়কৈ অমরোদনা, মশীং য়াল্লবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংদসু ওফিস কাবদা চাদিং হন্থহল্লম্বা য়াবগী থৌদৌসি মণিপুর লৈঙাক্না খক চৎনহন্নবা হোৎনদ্রিবসি করিগীনো হায়বসি খনবদা মম্মী। থৌদৌসিমত্তং হোৎনবীবদা কয়ামুক য়াম্না কায়গনি? থৌদৌসি চৎনরবদি ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংদা ত্রাফিক ভোল্যুমগী চাংসু হায়নীংঙাই লৈতনা পীকথরমগনি অমসুং ত্রাফিক জামগী প্রোব্লেমসু অসুক্কী মতিক হন্থরমগনি। ফীভমসি লৈরমদবনা লমদমসিদা নোংম-নোংমগী ত্রাফিক জামগী প্রোব্লেমশিং থেংনবগী চাং অসুক্কী মতিক হেঙ্গৎলক্লি অদুগা মণিপুরগী লম্বীশিংদা মশীং থিঙমদবগী মথক্তা অমুক্কসু হেন্না থিঙমদনা গাড়ী কারশিংগী মশীং হেনগৎলক্লবগী মরমসু ওইরি। য়েংবা হায়বদুনি পূম্নমকসি কুইররোই কৈসু, অওনবা অমবুদি শোয়দনা লাক্লনি।

মমাঙঙৈদা গাড়ী কার তোংবা মীওইশিংদা মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎলম্বগী থৌদৌশিংদু হৌজিক্তদি নিংথি নুংঙাইনা অমত্তা উৎনখিদ্রে। হৌজিক্তা গাড়ী কার তোংলিবশিংনা থেংনগদৌরিবসি করি করিগুম্বা মতাংশিংদা গাড়ী থারম্বদু মফম চাদে হায়দুনা মীয়াম্না অথিবা ৱাহৈ ৱাতাশিংনা শোন্থাংননা চৈ থাংদুনা লৈরম্বগুম্বা নৎত্রগা করিগুম্বা কান্দনা, থাফম লৈতবদগী মফম চাফাত্তনা থাজিল্লুবা গাড়ীশিং লৌথোকপীরো লাও হায়দুনা কৌরকপনচিংবশিং সি ঙাক্তনি। দাও য়াদ্রবদি জাৎ-জাৎ য়াম্না থেংনরকপসু য়াই। পূম্নমকসি থোক্তনবগীদমক লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীদুনা ইম্ফাল সিটিগী এরিয়াসিদা গাড়ী থাফমশিং মতিক চানা শেম্বীবসু হৌজিক হৌজিকমক ঙম্লনি উদে। হৌজিক্কী মতমদা গাড়ী মশীং য়ামশিল্লকপনা গাড়ী থাফমগীদমক মফম খুদিংমক্তা প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম ঙাক্তা ঙাই। মার্কেট এরিয়াশিং অমদি হায়ৱেশিংগী নাকল অনীমক্তা থানরিবা গাড়ীশিংসি থাফম লৈতবদগী থানরিবনি অদুবু লোগী ওইবা মীৎয়েংশিংদদি চুমদ্রবশিং ঙাক্তনি। তশেং-তশেংনমক মণিপুরদা লোয়নরিবা কারশিংসি য়াম্মনদ্রিবরা? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## থবক্লা তাক্লসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লিদরশিংনা ৱাশক ওইনা থৌদাং খুদিং অমদি পাঙথোক্কনি হায়না হায়দোকখিবা ৱাফম খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকপা, মীয়ামগী কান্নগদবা থবকশিং অদুগী থৌদাংশিং থবক ওইনা তৌনবা ফিরেপ লৌবীরো হায়বা ৱাফম অসি মীয়ামগী খোল্লাউনি। মসিগী মরমদা মীয়ামগী মফমদা লাউথোকখ্রিবা চাওখৎপা ইরমদম অমা ওইহনসিদি হায়রগা তৌথোরকপা থবক্লা মপূং ইপা ফাদবা অসি লাইবক থীবনি। শকখিবা ৱাশকপু মীয়াম্না থাগৎলি অদুগা তুংদা ওইরক্কদবা পূম্নমক মায় পাকপা, মহয় য়ানবা ওইহঞ্জনীংই, অনৌবা মতমগা চানবা থবক অমদা পুরক্লবা থম্বীখিবা অদু পুরক্লবা মীৎয়েং অদুদা তুংইন্দুনা তৌবীরক্কনি হায়বা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। তৌরনি, য়েংশিল্লি নত্তবা অশেংবা থৌদাংদো।

নুংশিনবা অমত্তা ওইবা থৌদাংগী মখাদা চাওখৎলবা ইরমদম অমা ওইনবগীদমক্তা লাওরিবা খোল্লাউ অসি অচুম্বা লম্বীদা চৎপীরো হায়নসু পাউদমজরি। মশক নাইবা তমজনীংঙাই ওইবা থৌদাংদি লৈবাক অসিগী মীয়াম অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনসু তমজনীংঙাই ওইগনি। নুংঙাইবা চাওখৎপা পামদবা, ফজবা ওইনীংদবা, অহাওবা চানীংদবা, ফজবা ফিজোল শেৎনীংদবা, মমা মপানা মচাবু মশক নাইবা লোনচৎ ফজবা ওইহন্নীংদবা কনাসু লৈরোই হায়বসি নীংশিংজনীংই। অদুবু হোৎনবদি তনবা, অহাওবদি চানীংবা, অফবদি ওইনীংবা কয়া অমা থেংনরি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা ৱাদনা শেল তানবগী লম্বীদা খোঙদারিবা ইৱা ৱাদনা অচৌবা শেনফম ফংনবা দ্রগ করবার তৌবগী নোংমা কাংদনা ফাবগী মীদিয়া অমসুং টি ভিদা উৎলিবা অসিনা খুদমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়জনীংই।

অরোনবা করবার তৌবশিংদগী ফাখিবা শেনফম, সনা, দ্রগ খুদিংগী মখলশিং মফম কদাইদা চৎখ্রে, শীজিন্নখ্রে হায়বগী পাউদি ঙসি ফাওবদা শন্দোক্লা তাকপা পাউদি তাবা ফংদ্রিবা অসিতগা শন্দোক্লা ফোঙদোকপীরবদি নুংঙাইজগনি।

য়াম্না নুংঙাইজবা অমনা মৈ-ঈশিং যুমথোঙ খুদিংদা ফংনবগী পান্দম থম্বীবগী খোঙথাং অমা পায়খৎপীরি লৈঙাক্লা অদুবু হন্দক্কী নোং তাবা মনুং অসিদা টোটি ঈশিংনা অনৈবা লৈনাং ওইনা ফংবা অদুগা মৈনা ঙাইহাক লৈতনা মুৎপা থৌদোক অসি লাইবক থীবনি থেংনরিবা মীয়ামদা। লম্বী থোং ফরেদি মহায়বা, সোরোক্লা ঈশিং থুম্বা, কোম ঙাক্তা ঙাইবা, নালানা ফুনজিনবা, লন্নাই মীওইশিংনা মা-মানা তৌনীংবা মওংদা পংতৌদা তৌদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীবগী চৈথেংসু থেংনদবা নত্তে, লুখ্রেদা মতমসে।

মতম চানা থবক্তু হৌরকপা মতমদা থিংহৌদবনা মদুবু লৌথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমদি ওইরিদো। ঐসু মীসু লোইনা ওইজবা পামইদো। লৈঙাক্লা য়াদে হায়দুনা লৌথোকখ্রবা মফমশিং অমুক হন্না হান্নগুম তৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অদুনা মদু অমুক হন্না তৌরকপা মতমদা ঙল্লিঙৈদা থবক্তু পায়খৎলকপদা য়াদে হায়না থিংহৌরবদি অনীমক্কী অফবা ওইগনি হায়না থমজনীংই।

মসি মীওই খরনদি য়াম্না শাওনীংবা ৱাফমনি। অদুবু মীয়ামগী নুংঙাই য়াইফ লম্বীনি হায়না লৌবীয়ু, ঐসু য়াওরিবনি মীয়ামগী য়াইফনবনি খন্দুনা পুকচেল চাওথোকপীয়ু ৱারৌবগী মহুত্তা হায়না নীংশিংজরি।

ইরমদম মণিপুর অসি হীরম খুদিংদা য়েংশিল্লুবদা অশোয়বা অরানবা ঙাক্তনা থল্লবা ঙাক্তা লইনা উরি। মসিবু কনগদবা, য়োকখৎকদবা, শেমগৎ শাগৎকদবা ঙাক্তা ঙাইরে। ইরমদম অসিদা খুন্দারিবা মীওই খুদিংমক মতম মাঙহনবা অমসুং শুবা নোম্বা তনবগী হৈনবী অমদি য়াম্না চাউনা মায়োক্লরি।

মতমবু খঙনা চৎপা, শুবা নোম্বগী হৈনবী অসি তঙাইফদবা অমদি ওইরিবনি। শম্না হায়রবদা ঐ ঐনা তৌবা ঙম্বা মথৌ অদু মানা তৌসনু হায়বগী থৈদোকপগী হৈনবী অমদি থাদোকপা ঙমদ্রি। ঐখোয়না তৌবা ঙম্বা থবকশিং ৱানীংদবদগী মীঙোন্দা নেকথোকপা, মশাগী মথৌ খঙদবগী হৈনবী, মতমগী মমলবু খঙদবা অসিনি লুরিবদি।

মতম শীজিন্নবা হৈতবনা মহৈ-মশীন তম্বা, থবক থৌরম কয়াদা হৌজিক তৌরগা লোইশিনগদবা অদু হোরেন, হয়েং তৌগে হায়না থক্তোকপা অসিগী অচৌবা হৈনবী অসিনা মতম হেনখিদুনা পাঙথোক্কদবা মথৌশিং পাঙথোকপা ঙম্নদ্রিবনি। মসিবু নাথৈবা ঙমদ্রবদি করম্না মায় পাক্কনি অমসুং চাওখৎ খোঙথাংদা মাঙজিল থাগনি।

লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অমা ওইনবা হোৎনবদা ৱাখিবা, ফংলগনা কাউথোকপা, মতম চানা চৎতবা, পূক্লিং চঙদবা, ইশা ইশানা পায়রিবা শিনফম লায়থোকপগী হৈনবীনা থল্লবা ইরমদমনি।

অদুগা মথৌদা পূক্লিং চঙবা কাঙবুদি তোঙান তারবনি। মীথোই মীহেন তানবগী চাওখৎ খোঙথাং লমজেলদা অতিয়াদা লৈবা গ্রহদা চৎতুনা থিজিল্লবা মতম অসিদা ঐখোয়গী শোকচিল্লক্লিবা ফীভমবু কনবা ঙমগদৌরিবরা হংজনীংই। মতম্না হেনখ্রবদা মনা-মশিং থাবা, মহৈ তম্বা, মায় পাকপগী পন্থুং কৈদৌঙৈদা ওইথোকপা ঙল্লোই। হোৎনরসি মতাং মতম্না চারিঙৈদা। ইশাগী থৌদাং নিংথিনা পায়খৎলসি মতাং চারিঙৈদা।

**অদোমগী - অথোকপম তোম্বা**
ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।